## য়াইবিলেনগী মিংদা তেঙবাং লৌবিগনু

ইম্ফাল, মে ২৯ (এস এন এস )ঃ

য়াইবিলেন অমদি য়াইবিলেন চিলড্রেন হোমগী মিং শীজিন্নদুনা কনাগুম্বা লূপ অমদি লনাই মীওইশিংনা ঈশৈ নোংমাই, হাউসি, লোট্টরি অমদি তেঙবাং লৌবা য়াবা থৌরমশিং পাঙথোক্লুগা মীয়ামদগী য়াইবিলেনগী মিংদা তেঙবাং লৌবিগনু।

য়াইবিলেনগী লুচিংবা নেপ্রম নুংকাঙবনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, য়াইবিলেনদি য়াম্না চম্না কনাগী মীহু য়াওদনা হিংজবা লূপনি। মথৌ তাবগী মতুং ইন্না মতম মতমগী ওইনা মীয়ামগী মতেং লৌজরি। তুংদসু লৌজগনি। মরম অসিনা অতোপ্পা লূপ, লনাই মীওইশিংনা য়াইবিলেন অমদি য়াইবিলেন চিলড্রেন হোমগী মিং শীজিন্নরগা মীয়ামদগী শেল অমসুং পোৎ চৈ লৌবা তৌবিগনু।

## ৱাঙ্গোইগী অফবা মহৈরোয়শিং ওক্কদৌরি

ইম্ফাল, মে ২৯ (এস এন এস )ঃ

মমাঙ চহীশিংদা পাঙথোকপগুম হন্দকসু এমসু ৱাঙ্গোই ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামদা মায় পাক্লুবা ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগী মনুংচন্না লৈবা মহৈরোয়শিংদা অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা ওক্কদৌরি।

এমসু ৱাঙ্গোই ব্রাঞ্চকী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী হুইদ্রোম মহেন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, বোসেম্না লৌবা ক্লাস টেন এগজামদা চাদ ৭০ অদুগা কোহসেমনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্ভ এগজামগী সাইন্স ষ্ট্রিমদা চাদ ৭০ অমসুং আর্টস অমদি কম্মর্স ষ্ট্রিমগী ওইনা চাদ ৬৫গী মথক অদুগা সি বি এস ইনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামদা চাদ ৮৫ গী মথক্তা মার্ক ফংবা মহৈরোয়শিংনা ফোর্ম লৌরগা থাজিল্লকপা য়াগনি।

এমসু ৱাঙ্গোই ব্রাঞ্চ, ন্যু বুক ষ্টোর ৱাঙ্গোই বাজার অমদি সঙাই বুক ষ্টোর শামুরৌ বাজারদগী ফোর্ম ফংগনি। অকূপ্পা মরোল মোবাইল নম্বর ৮৯৭ ৪৮৮২৫০৯ অমসুং ৭০০৫৫৪৩ ০০২ দগী খঙবা য়াগনি।

## ঙসি মেমোরেন্দম পীশিল্লগনি

জিরিবাম, মে ২৯ (এস এন এস )ঃ

জিরিবাম অমসুং ফেজরোল দিষ্ট্রিক্ট শম্নরিবা জিরি টিপাইমুখ রোদ ফিভম শোক্না লৈরিবসি অথুবা মতমদা শেম্বিনবা কয়ারক হন্না হায়জখ্রবসু চপ চানা থবক্তা ওন্থোরক্তবগী মায়োক্তা বোরোবেক্রো সব দিভিজন দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না দিপ্যুটি কম্মিস্নার জিরিবামদা হয়েং মেমোরেন্দম অমা পীশিল্লগনি।

পাউ অসিনা হায়, ঙসি মেমোরেন্দম পীশিনবা চৎপদা দি সি ওফিস্তা মীওই অমত্তা লৈরমদবদগী হয়েং ওইনা পীশিন্নবা থৌরাং তৌখিবনি। জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মরু ওইবা লম্বী অসি নীংথিনা শেমদবনা মীয়ামগী পেন্দবা কয়া লৈরিঙৈসিদা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা ফত্ত-হৌদি কয়া লম্বী অসিগী নাকলদা পৈশিল্লি। মদুনা মরম ওইরগা হান্নদগী চখোক চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া লৈরম্বা অদু অমুক্কা হেন্নসু খুদোংচাহন্দ্রে অমসুং নমথিবা মনম্না হেন্না শোকহল্লে। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিল্লগা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎত্রবদি পুলিস কেস তৌদুনা মরাল লৈবশিং থিদোক্লবা হোৎনগনি। মসিগা মরী লৈননা দিপ্যুটি কম্মিস্নারদা মেমোরেন্দম পীশিনগদৌরিবনি হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী চিয়ারমেন পি জিতেন সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াই, জিরি-টিপাইমুখ লম্বী অসি শেম্নীনবা মীয়াম্না খোঙজং কয়া চঙশিনবগা লোয়ননা লম্বী অসি থিংজিনবা ফাওবা লৈখ্রবনি। অদুবু থিকাদারগা য়ানবা অমদগী মতম খরা খোঙজং হন্দোক্তুনা লাকখিবনি। য়ানখিবা অদু অমুক্কসু থবক্তা ওন্থোরক্তবগী খোইশাওনরিঙৈদা অমোৎ-অকায় ফত্ত-হৌদি কয়াসু অমুক পৈশিল্লকখিবনি।

## এম যু মেইন গেটকী অকোয়বদা দ্রাইভ চত্থবদা য়ুঙৌ লিটর ১৫০ ফাগৎপা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (এস এন এস )ঃ

কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)না ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী মনুংচন্না ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাঞ্চিপুরগী মেইন গেটকা মায়োক্লবা এরিয়াদা দ্রাইভ চত্থবদা মীওই অহুমদগী য়ুঙৌ লিটর ১৫০ খোমগৎপা ঙমখ্রে।

কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি কেঐচ অনন্দনা ফোঙদোরকখিবদি কাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী থৌমীশিংনা চত্থখিবা দ্রাইভ অদুদা খোমগৎখিবা য়ুঙৌ অদু মফম অদুমক্তদা মীয়াম মাঙদা হৈদোক্তুনা অমদি মৈ থাদুনা মাঙহনখি।

য়ুঙৌ লিটর ১৫০ গা কোন্ননা মীওই ৩ সু ফাগৎখি। মখোয়শিং অদুদি লিলোং অরাপ্পিদগী নিংথৌজম ইবাই (৪৭) অপোকপা ইবোমচা, ক্যামগৈ খোইরোম লৈকাইদগী লাইশ্রম মেমচা (৪৫) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা এল বোবি অমসুং থোংজু অৱাং লৈকাইদগী লাইশ্রম তোম্বী (৪২) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা শ্যামনি। লমদম অসি ঙসিদি য়ুগী ইপাক্তা ইরাক্লবা হায়বদু ওইরে। থৌদোক ৱাথোক খূদিংমক্তগী হৌরগা লাইনীং লাইশোলগা মরী লৈনবা ফাওবা য়ু য়াওদবা লৈত্রে। মী শিবগী পোৎলোইবা ফাওবা য়ু য়াওদ্রবদি পোৎলোইবিনবা লৈতবগী ফিভমদা লৈরে। অসিগুম্বা খুন্নাই অমা ওইরবা ফাওবদা গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী করিসু খন্দবা মওংদা লমদম অসিদা য়ু শুংদুনা মপান্দা থাদোক্তুনা শেল তানগনি হায়বা ৱাফমদা ষ্টেট এসেমব্লিদা বিল অমা পুথোক্তুনা মীয়ামগী ৱাখল লৈতাহন্দবা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। হায়রিবা বিল অদু সেলেক কম্মিটি অমদা থাদখিবগী মহুত্তা খুদক্তা লৌথোকপনা মীয়ামগী অফবা ওইগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা নিঙোম্বম ময়াই লৈকাইদা লৈবা নিঙোম্বম অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী শঙলেন্দা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম্না কাদা নিঙোম্বম য়ুনিট হাংদোকপগা লোয়ননা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি শেমদুনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে হায়রি।

কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমারনা ময়ায় ফমদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা নৌনা শেমখিবা নিঙোম্বম য়ুনিটকী থৌ পুনবা খনখ্রবশিং অদুদি মাইবম ইন্দ্রানি প্রসিদেন্ট, সোইবম চাওবীতোন ভাইস প্রসিদেন্ট, এ কে প্রমেশ্বরি সেক্রেটরী জেনরেল, কোইজম মেমথোইবী সেক্রেটরী ফাইনান্স, সোইবম রঞ্জনা সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি, সোইবম বিজনবলা সেক্রেটরী এদমিনিষ্ট্রেসন, সোইবম সুনিতা সেক্রেটরী ৱুমেন এফিয়ার্স, থৌনাওজম মেম্মা সেক্রেটরী দ্রাইভ অমসুং ৱাংখেম বালা সেক্রেটরী হেলথ এন্দ স্পোর্টসনি।

এগজিক্যুটিভ মেম্বরওইনা খনখ্রবশিং অদুনা সিঐচ ইবেমচা, অহোংশাংবম তমা, কে কুমারী, জি রোমা অমসুং এম রমনিনি হায়রি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা মেকোলাদা লৈবা মেকোলা গুল্লাপ হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না মহৈরোয় খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বসিদা একাদেমিক এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার, মেগোলা গুলাপ হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল থিয়াম জিলা অমদি ভাইস প্রিন্সিপাল থাংজম সরজুবালানা পূন্না ময়ায় ফমদুনা পাঙথোকখিবা একাদেমিক এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন দোরেন অমসুং সেক্রেটরী জেনরেল গীতচন্দ্র মঙাংনা হিরম অসিগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়রি।

## কম্যুনিষ্ট লালহৌ শাগৎনবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লরি ঃ কে সি পি (এম সি)

ইম্ফাল, মে ২৯ (এস এন এস )ঃ

লমদম অসিদা কম্যুনিষ্টকী লালহৌ খূমাঙ চাউশিল্লম্লবা মতুংদা খম থেংনা লৈখা তারকখিবদগী হৌজিক অমুক হন্না শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লরি হায়না কে সি পি (এম সি)গী সেক্রেটরী ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিসিটি লনচেনবা মৈতৈনা মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রিবদি লুচিংবা কয়া লৈখিদ্রবা মতুংদা কেগেনা য়ুম্বী ওইদুনা লাকখিবনা কাংখোং চাইবা হায়বদু ওইরে। কম্যুনিষ্ট লালহৌগী কাংখোং চাইবা ফিভম অসিদা খুদোংচাবা লৌরগা মরন্নাই খনবা খরনসু শেন্দোং তানফম অমদি খরা অমনা য়েক্লবগী শাদোং ওইদুনা য়াওল লালহৌবু মশক থিহন্নবসু হোৎনরমখিদবা নত্তে।

কে সি পি-এম সি নৌহৌননা শাফোঙলকপদা মীয়াম্না কদাই ফাওবা থাজবা থমখিবগে হায়বা অদুসু অচৌবা ৱাহং অমনি। তানফম অসিদা ৱাখল্লোন মান্নবা লূপশিংগা তাথোক তাশিন তৌমিন্নদুনা অচুম্বা লম্বীদা মীয়ামগী য়াওল লালহৌ শাগৎনবা হোৎনরকখিবনি। তানফম অসিদা নমদুনা পামদবা থৌদোক থোকহন্নবা শীল্লিবা অসিমত্তি য়াম্না লাইবক থিবনি।


রিমস ইম্ফালগী সব কন্ট্রেক্টর খরনা পুনশিল্লগা মেদিয়াদা শেংদোক্লিবা অসি দিরেক্টরগী থৌইনশিন্নি হায়না লৌবগা লোয়ননা রিমসবু লানবুং ওন্থোকপদি পামদে অদুবু খুদোংচাবা লৌরগা মশা কঞ্জনবদি হোৎনৈ। অদুনা ইঞ্জিনিয়ারিং সেলগী কন্সলটেন্ট য়াওনা মরী লৈনবা খূদিংমক্তা মীয়ামগী মায়োক্তা লেপ্লোইদবনি। রিমসকী দিরেক্টরনা অখন্ননা আর এস এস অমদি এ বি ভি পিদা চাউনা দোনেসন পীদুনা দাইরেক্টর ওইনবা হোৎনবা লোয়ননা মীওই খরদা কন্ট্রেক্ট ৱার্ক পীবা অসিনচিংবা কয়া কূপ্না থিগৎতুনা মীয়ামদা খঙহনখিবা লৈরে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লৈবাক মচা তানা অনা লায়েংদা পার্টিনা অথিংবা পীদে, অদুবু কন্ট্রেক্ট ৱার্কশিং মখা চত্থবা য়ারোই হায়বনি। সি এস ওদা য়াওরম্বা হৌজিক্লা ষণ কনবা কাঙবু ওইখ্রবশিংনা পার্টি অসিবু হুন্দুনা ঙাং শকপা কয়া ময়েক শেংনা খঙলে। মরম অদুনা শীংনবা খূদিংমক চপ চানা থেংনরগনি।

নাকল অমরোমদা মিসন স্কুলশিংগী মতাংদা থমখিবা ৱাফম অমত্তা ঙাক্লা চত্তে। এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুট মরু ওইনা ইম্ফাল ময়োলদা লৈরিবা কেথোলিক স্কুলশিংদা চর্চ সার্ভিস তৌদনবা ৱাফম ঙাক্লা চত্তে। পূম্নমক অসি পার্টিনা য়েংদুনা লৈররোই। অদুবু লাক্লিবা জুন ২দা হিরম অসিগা মরী লৈননা জেনরেল ষ্ট্রাইক পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদুদি পাঙথোক্লরোই হায়রি।

স্কুলশিংদা চর্চ পুশিল্লিবা মফম অদুদা অতম্না মীৎয়েং চঙবা হৌরগনি। রিমসকী দাইরেক্টরনা হোস্পিটালবু ইকায়খুম্নদ্রবা অমদি কেথোলিক স্কুলশিংনা স্কুলশিংবু লাইনীং শন্দোকফম ওন্থোক্লবনিনা রিমস অমসুং কেথোলিক স্কুলশিংদা থন্ফম থোকপা ইকায় খুম্নবা অদু মখা তানা থল্লরোই। অচুম্বা তৌসি হায়বা য়াদ্রগদি অরানবশিং অদু চুমথোক্লবা হোৎনবদা পাম্বে কয়া শীজিন্নরকপা নত্তনা অতোপ্পা লৈত্রে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোকপা



মালেম তাইবঙপানসিদা মপুগী শিন্থা পাঙজরম্বা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিনবিরম্বা **লামাবম প্রদিপ মীতৈ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা চৈচৎ ২৫।৫।২০১৯ কুমজা, কালেনগী ২১ নি পানবা থাংজ নুমিৎতা মপুনা থাবা চৈথেক মশীং শুরদুনা য়াইবী থৱায়না তেংবানবা মপুগী লৈকোন্দা লৈরাং লৈনম ওইনা তিঞ্জখ্রে।

ঙসি চৈচৎ ২৯।০৫।২০১৯ কুমজা, কালেনগী ২৫ নি পানবা য়ুমশকৈশ মঙানি লৈহুন তমজবা নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবঙ মপুগী লৈকোন্দা ঈংনা চিক্লা লৈজরুনবগীদমক গোশ্বামী মরুপকী মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোঙদোকচরি। লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি।

সেক্রেটরী
গোশ্বামী মরুপ
শগোলবন্দ, তোংব্রম লৈকাই, ইম্ফাল ৱেষ্ট।

SL/4855/30

## শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ

পুর্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাই পূম্নমক্কী ইরক্তা তিনবীরম্বী **শ্রীমতী কোংব্রাইলাকপম "যমুনা দেবী**- না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং অমদি স্ব-পরিবার পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ২৪।০৫।২০১৯ ইং, কালেনগী ২১ নি পানবা ইরাই নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা **মদন মোহন দাসি** হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

হৌখিবা তাং ২৭।০৬।২০১৯ ইং, কালেনগী ২৩ নি পানবা, নিংথৌকাবা নুমিত্তা অষ্ঠি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ০৩।০৬।২০১৯ ইং, কালেনগী ৩০ নি পানবা, নিংথৌকাবা নুমিত্তা চিরা উসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবী বৈষ্ণবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা খরদং শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী অগ্রদা হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ মপাং অমদি ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা লৈখিদ্রবীগা তীন্নবীরম্বা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্লবা খবরগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি।

তখেল্লম্বম কোঞ্জিন।

পাউজেঞ্জরিবশিংঃ
কোংব্রাইলাকপম মেম্মা দেবী (মনেমপোক)
কোংব্রাইলাকপম প্রেমকুমার শর্ম্মা (মপুরোইবা)

SL/4852/30


HRD ACADEMY
GHARI, AIRPORT ROAD, IMPHAL
MOTTO : BE GOOD DO GOOD
Website : www.hrdacademy.in email : hrdacademy@yahoo.co.in

A Centre of excellence imparting science education at higher secondary level since 1997 and which have produced

6 times First Positions
4118 First Divisions
90 Position holders
& 10,368 Qualified students

ADMISSION GOING ON

For Class – XI Science for the Academic Session 2019-20

Prospectus 2019-20 along with the registration form will be issued w.e.f. 20/5/2019 from 10:00 a.m. to 2:30 p.m. from academy office.

SUBJECTS OFFERED :
Eng, Alt. English, Manipuri, Phy, Chm, Bio, Math & Csc

ELIGIBILITY :
HSLC/Equivalent Exam. with a minimum of 45% in aggregate

ADMISSION PROCEDURES:
Direct admission for 60% and above.
Selection on basis of merit for below 60%.

FACILITIES FOR POSITION HOLDERS & DESERVING STUDENTS

| 1st to 10th Position Holders of BOSEM | 11th to 25th Position Holders of BOSEM |
|---|---|
| Free Admission, Free Tuition Fees with monthly scholarship of Rs. 8000/- | Free Admission, Free Tuition Fees with monthly scholarship of Rs. 6000/- |

- Students with 75% and above : Exemption of Tuition Fees
- Students with 70% and above : 50% Exemption of Tuition Feees in Science/Maths/Languages
- Exemption of Tuition Fees for differently abled students.

Sd/-
Principal, HRDA

SL/4837/25th to 8th June


## ককচিংদা মালেমগী মেলেরিয়া নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ককচিং, মে ২৯ (এস এন এস )ঃ

দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটি, নেস্নেল ভেক্টর বোর্ন দিজিজেস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম (এন ভি বি দি সি পি) ককচিংনা শীন্দুনা ঙসি চুম্নাং লৈকাইদা লৈবা আর ও এলগী ওদিটোরিয়মদা মালেমগী মেলেরিয়া নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

জিরো মেলেরিয়া ষ্টার্ট ৱিথ মি হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সি এম ও ককচিং ডা. টিঐচ সোমরেন্দ্র সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, দিষ্ট্রিক্ট মেলেরিয়া ওফিসার ডা. এম গম্ভিনি দেবীনা থৌরম মপু অদুগা দিষ্ট্রিক্ট টিবি ওফিসার ডা. টিঐচ সৈত্যবলা দেবী অমদি সি ঐচ সি ককচিংগী মেদিকেল ওফিসার ডা. তখেলময়ুম দিপারানিনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা মহৈরোয়শিং, অসাশিং অমদি অতৈ মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা খোঙচৎ অমসু চৎখি। মেলেরিয়া লায়না মরু ফংনা মুখৎলসি হায়বা পাউজেল পুবা রেল্লি অদু ককচিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদগী সি এম ও ডা. সোমরেন্দ্রনা লমথাখি। অদুগা আর ও এলগী ওদিটোরিয়ম ফাওবা চৎখি।

এন ভি বি দি সি পি ককচিংগী মেলেরিয়া টেক্লিকেল সুপরভাইজর কাঙুজম ওকেন্দ্রজিৎনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীবগা লোয়ননা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপগীদমক প্রাইমারি হেলথ সেন্টর ৱাঙুগী সনসম ইঙোবা সিংহদা বেষ্ট এম পি দব্লিউ / এম ঐচ দব্লিউ ২০১৮, পি ঐচ সি হিয়াংলমগী সিঐচ সমাশখি দেবীদা বেষ্ট অসা ২০১৮ অদুগা পি ঐচ সি ককচিং খুনৌগী ঐচ হেরামনি সিংহদা বেষ্ট মাইক্রোসকোপিস ২০১৮ মনা পীদুনা ইকায় খুম্নখি।

## সমরেন্দ্র নীংশিং কুমওন পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মে ২৯ (এস এন এস )ঃ

পারি ইমোম কনবা লূপ ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা ১৯ লক শুবা অরাম্বম সমরেন্দ্র নীংশিং কুমওন লাক্লিবা জুন ১০ নিংথৌকাবা নুমিত্তা খুরাই পুথিবা লৈকাইদা লৈবা পুথিবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্কদৌরি।

থৌরম অসিগী মনুংচন্না স্কুল মহৈরোয়শিংগী ওইবা ১০ রক শুবা ষ্টেট লেভেল পেন্টিং কম্পিটিসনসু পাঙথোক্কনি। পেন্টিং কম্পিটিসন অসিগী থিমদি সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিলনা এক্ট ওল্লবা মতুংদা ওইরক্কদবা অহোংবা হায়বসিনি। ক্লাস থ্রিদগী ফাইভ ফাওবা অমসুং ক্লাস সিক্সতগী আইট ফাওবা কেটেগোরি ২ থোক্না খায়দোক্তুনা চত্থগদবা কম্পিটিসন অসিদা কম্পিটিটর ১০ দা মথং মনাও নাইনা সার্টিফিকেট অমসুং শেলগী মনা পীগনি।

কম্পিটিসন অসিগীদমক খুরাই লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা ৱাই কে প্রিন্টর অমদি মালেম ফার্মাসি, খুরাই কোংপাল টিন্সিদ রোদতা লৈবা এম সি এম এন্টরপ্রাইজেস, খুরাই পুথিবা লৈকাইদা লৈবা রিভরসাইদ ত্বিষ্টেদতগী ফোর্ম ফংগনি অমসুং হায়রিবা মফমশিং অসিদা মেনশিল্লবা ফোর্ম পীশিনবসু য়াগনি। অকূপ্পা মরোল ফোন নম্বর ৯৮৬২৪১১৮০০, ৯০৮৯৫৫৮৩৭৮, ৮৭৭৮১ ৮২৫২১, ৯৬১২৭১৯৪৩০ অমসুং ৯৮৩৬৮৯২৫৬৬ তগী খঙবসু য়াগনি হায়না সেক্রেটরী থৌদাম জিতেন সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

## ঈশৈ চাংদম্নবগী ঈশৈ ময়েক ইবা ১২ খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (এস এন এস )ঃ

আর্টিষ্ট ট্রেনিং কম এদুকেস্নেল রিছার্স সেন্টর (এটরেক) ৱাংখৈ অয়াংপল্লি রোদনা শীন্দুনা ৫ রক শুবা ষ্টেট থাক্কী লৈবাক নীংবা ঈশৈ চাংদম্নবা ২০১৯ গীদমক ঈশৈ ময়েক ইবা ১২ খনখ্রে।

এটরেককী সেক্রেটরী ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম্না থাদোরকপা চেরোলনা হায়, চাংদম্নবা অসিগীদমক খল্লবা ঈশৈ ময়েক ইবশিং অদুদি চনথোই সলাম, কাঙবম ওকেন্দ্রো মঙাং, হোমেন্দ্রো ইরেংবম, সুবোলকুমার মোইরাংথেম, নোংথোম্বম চন্দ্রমলা লৈমা, ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনি, লোংজম তোম্বী সিংহ, বিজয় নোংথোম্বম, ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম, ৱাংখৈরাকপম বিরেন্দ্রজিৎ, খুরাইজম সুবোল মৈতৈ অমসুং পি কে লাইতোঞ্জমনি।

শিংজমৈ চীংঙা মখাদা লৈবা লৈময়োল আর্ট সেন্টরদা পাঙথোক্কদবা চাংদম্নবা অসিদা মকোক মথং তাবশিংদা মথংশিংনা লুপা লিশিং ১০, ৭ অমসুং ৫ শকখঙচেগা লোয়ননা পীগনি। ৪ শুবদগী ৭ শুবা ফাওবদা লুপা লিশিং অমমম পীগনি। চাংদম্নবা অসিগীদমক গভর্ণর রোদ ইম্ফালদা লৈবা রোয়েল বুক হাউস অমদি ৱাংখৈ অয়াংপল্লি লৈমা কৈথেলদা লৈবা কংলৈ কম্প্যুটরদগী ফোর্ম লৌবা য়াগনি অদুগা জুলাই ২০ ফাওবদা ফোর্মশিং অদু থাজিনগদবনি। অকূপ্পা মরোল মোবাইল নম্বর ৮৭৮৭৪৫২১২২ দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

## ন্যু মোংজাংদা নৌনা শাবা কম্যুনিটি হোল মীয়ামদা শিন্নখ্রে

মোরে, মে ২৯ (এস এন এস )ঃ

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোরে সব দিভিজনগী মনুংচনবা ন্যু মোংজাং ভিল্লেজদা ৪৩ অসাম রাইফলস বট্টালিয়ন্না বোর্দর এরিয়া দিভলপ-মেন্ট প্রোজেক্ট (বি এ দি পি)গী মখাদা নৌনা শাখিবা কম্যুনিটি হোল ঙসি বট্টালিয়ন অসিগী কম্মান্দেন্ট সুমিট শুদনা হৌনবি মতুং ইন্না শঙ্গাদুনা ভিল্লেজ ওথোরিটি অমসুং খুঞ্জাশিংদা শিন্নখ্রে।

থৌরম অদুদা বট্টালিয়ন অসিগী ওফিসারশিং, তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কাঙলুপ কয়াগী সি এস ওগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। খুঞ্জাশিংনা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ৪৩ অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটি লিদরশিংদা লেঙয়ান ফি খুদোল তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। মখা তানা জগোয় ঈশৈগী প্রোগ্রাম কয়াসু পাঙথোকখি হায়রি।

## জেসামিদা লৌমীশিংগী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (এস এন এস )ঃ

প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিটি মণিপুর (পি পি সি এম), হাওমৈ রিছার্স গিল্ড মণিপুর অমসুং জেসামি ভিল্লেজ ওথোরিটিনা পূন্না শীন্দুনা হিংমিন্নসি ঐখোয় হায়বা পাউজেলগী মখাদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী চিঙাই সব দিভিজনগী মনুং চনবা বোর্দর এরিয়া জেসামি ভিল্লেজদা নোংমগী ওইবা ওর্গানিক ফার্মিংগী লৌমীশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোকখ্রে।

পি পি সি এমগী চেরোল অমনা হায়, এম ও ভি সি দি এন ই আরগী মখাদা মোমানা স্পোন্সর তৌরগা পাঙথোকখিবা লৌমীশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা লৌমী ১০০ না শরুক য়াখি। পি পি সি এমগী কনভেনর এন বিমোল মীতৈ, ইথনিক এফিয়ার্স কম্মিটিগী কনভেনর চীংখৈ লুৱাংচা, হাওমৈ রিছার্স গিল্ড মণিপুরগী চিয়ারমেন রোবিন সিংলাই, জেসামি ভিল্লেজ ওথোরিটিগী চিয়ারমেন মেজোতে মেকরিস, এগ্রোনোমিষ্ট এল সনাতোম্বা অমদি থবক্তগী পোখাখ্রবা এন্টোমোলোজিষ্ট সলাম রাজেন, জেসামি ভিল্লেজ ওথোরিটিগী সেক্রেটরী ইনিপিকু লোহে অমদি পাষ্টরশিংসু শরুক য়াখি। এগ্রোনোমিষ্টর এল সনাতোম্বনা অরেম অখাক্কী পোৎলমশিং উনা -ৱানা, মনা মশিং চরু, শম্থি, ওকথিনচিংবা কয়ানা হার শেমদুনা ওর্গানিক ফার্মিংগী মরু ওইবশিং অদু পনখি হায়রি।

## এমসু খুরাই ব্রাঞ্চকী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৯ (এস এন এস )ঃ

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা খুরাই ব্রাঞ্চকী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে।

এমসু হেদ ক্বার্টরগী জোইন্ট সেক্রেটরী মোইরাংথেম প্রভিন অমদি দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সঞ্জোয় মংশাতাবমগা লোয়ননা লম্লোং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা মহৈরোয়শিংগা পূন্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা খুরাই ব্রাঞ্চকী থৌ পুগদবশিং অদু খনখিবনি। মখোয়শিং অদুদি কোন্সম দেবানন্দ প্রসিদেন্ট, কিন্দ থোকচোম ভাইস প্রসিদেন্ট, লাইরেল্লাকপম দেলান জেনরেল সেক্রেটরী, প্রিতম লাইরিকয়েংবম ফাইনান্স সেক্রেটরী, লাইরেল্লাকপম ঙানবা ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী, চাউরেল ফালুংবম ঐচ আর দি সেক্রেটরীনি।

ব্রাঞ্চঅসিগী ২০১৯-২১ সেসনগী ওইনা থৌ পুনবা মীওই ২৭ না শাবা কম্মিটি শেমদুনা থৌ পুগদবশিং অদু খনখিবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী অঙোম সুরঞ্জিৎনা ফোঙদোরক্লি। মহৈরোয়শিংগী মীফম অদুনা মখা তানা এদুকেসন সেক্টরদা হেন্না মীৎয়েং চঙদুনা মতিং লৈবা মহৈরোয় পুথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি, মতম মতমগী ওইবা খুন্নাই অসিদা শীংনরকপশিংগী মায়োক্তা লেপকনি হায়নসু ৱারেপ্পখি হায়রি।

## সাহিত্য একাদেমিগী ফিল্ম ফেষ্টিভেল

ইম্ফাল, মে ২৯ (এস এন এস )ঃ

সাহিত্য একাদেমি ন্যু দিল্লি অমসুং জে এন মণিপুর দান্স একাদেমি খূৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা সাহিত্য একাদেমিগী দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম ফেষ্টিভেল লাক্লিবা জুন ১ থাংজ নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবদা জে এন দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কদৌরি।

মণিপুরী খোরিরোলগী লেপ্তনা চঙশিল্লিবা খোঙচৎকী খোঙথাং অমা ওইনা পাঙথোক্কদবা ফেষ্টিভেল অসি হৌদোকপদা মণিপুরগী মমিং লৈরবা অইবা এলাংবম সোনামনিগী পুন্সিদা য়ুম্ফম ওইবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমসু রিলিজ তৌগনি। অদুগা মহারাজ-কুমারী বিনোদিনিগী পুন্সিদা য়ুম্ফম ওইবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমদি পোইট্রি ওফ নোর্থ ইষ্ট অমসুং সাহিত্য একাদেমি হায়বা অতোপ্পা ফিল্ম অনীসু উৎকনি হায়না মণিপুরী লেঙ্গোইজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমিগী কনভেনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা ফোঙদোরক্লি।

## ঙসিগী রাষি ফল (৩০-০৫-২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাওনা বাজার, ইম্ফাল*


**মেষঃ** চরক চহিং নাইবা, খৎনিংবা মতম্নি। শেল চৎপা, কোক শাবা, মীনা য়েংথিবা মতম্নি। ইমুংদা চরাঙনগনি, অচৌবনা চানবিরগনি। নক্ষত্র ১,২ ফগনি, ৩ ফত্তে।


**বৃষঃ** চয়েৎনবা, শাওনবা, খৎনবা মতম্নি। শেল চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। হকচাং ৱাখল ফবা ৱাৎলগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪, ৫ ফগনি।


**মিথুনঃ** চরক চহিং নাইবা, খৎনবা মতম্নি। শোক্তনবা চেকশিল্লু। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬ ফগনি, ৭ ফত্তে।


**কর্কটঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবদি য়াগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৭ ফত্তে, ৮,৯ অফবনি।


**সিংহঃ** শোক্কনবা, কোক শাবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। লম চৎপা হৈ শিংঙউ। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১০, ১১ ফগনি, ১২ ফত্তে।


**কন্যাঃ** শাওনবা, কোক শাবা, তোখাই তাবা মতম্নি। শেল ফংবা, চৎপা মান্নগনি। লম চৎপা চেকশিল্লু। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩ ফগনি, ১৪ ফত্তে।


**তুলাঃ** চয়েৎনবা, কোক শাবা, মীৱা মীশা তাবা মতম্নি। হকচাং ফবা ৱাৎলগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১৪ ফত্তে, ১৫ ফগনি, ১৬ ফত্তে।


**বৃশ্চিকঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ অফবনি।


**ধনুঃ** খৎননিংগনি, শাওদবা ফগনি। পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। হকচাং ফগৎলগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।


**মকরঃ** শোক্কনবা, কোক শাবা, মীনা নুংশিবিদবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। ইমুংদা চরাঙনগনি। হকচাং ফত্তে। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২ ফগনি, ২৩ চাং অমদা লৈ।


**কুম্ভঃ** চরক চহিং নাইবা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৩,২৪,২৫ ফগনি।


**মীনঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, খুদোংচাবা থেংনবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।

